# ‘মহৌশাগী শক্তম করম্বা মতমদা পুরক্কদগে’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

**উশম ধরমেন্দ্র**



মীতৈশিংগী হরাও কুম্মৈ ময়ামগী মনুংদা খ্বাইদগী পূক্নিং নুংশিবসি নিঙোল চাক্কৌবনি। কুমগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎতা মায়কৈ ফাংনা ওংখিবী নিঙোলশিংবু মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপানা চাক্কৌদুনা হরাও-হরাও চাক চামিন্নবা, ঙমজবা খুদোলপোৎ পীদুনা নিঙোলশিংবু পেলহনবা, থম্মোয় মকা লামজবা ফংহনবা অমসুং নিঙোলশিংনসু মবুং-মৌপ্বাশিংদা য়াইফ থৌজালবীরম্বা পূন্নমকসিনা নিঙোল চাক্কৌবগী শক্তম্নি। মীতৈ সাহিত্যগী চাউরবা মফম নিঙোল চাক্কৌবগী নীংথিজবা শৈথারোলনা মফম চাউনা কন্দুনা লৈরি। তশেংনমকসু নিঙোল ওইবীগী পূন্সি য়াম্না নুংশিনীংঙাইনি। মহাক্না হঙা মীকপ তমদুনা তাইবঙ মালংপাল উরকপা, পন্থৌগী মোংবা মরানয়াইদুনা মহাক্কী অশেংবা ময়ূম নত্তে। মহাক্কী মপুরোইবগী ময়ূম্না নিঙোল ওইবীগীদি অরেপ্পা য়ূম্ফম্নি। নুপী ওইবীগী পূন্সিগী লাইবকসু মহাক্কী মপুরোইবনা লেপ্পী। নুপীবু ঈজৎ লৈনা কৈরোই-লৈকায়গী মমাঙদা লৈহনবা-লৈহন্দবা হায়বসি মহাক মহাক্কী নুপাগী মখা পোল্লি। মপাম লমদমদা শেৎনীংবতা শেৎ-চানীংবতা চা নীংখা তম্না নিংথৌগী মমোমলোই অমগুম লেল্লক্লবসু নুপা মফম ফৎলুদ্রবদি চরা অনী শুনা চাবদা অৱাবা ওইদুনা ওন্থোকপা ফীভম অমদা পূন্সি লেনবসু য়াওই।

নুংঙাই য়াইফবা য়ূম্বাল পূন্সি অমা ওইনবা হোৎনবদা নুপা-নুপী অনীদুগী থাজবা মাঙনদবা অমা চঙই। থাজবা মাঙনরক্লবা য়ূম্বানমীন্নরিবা অনীগী মরক্তা মথম্মোয় নুংদা অমনা অমবু চীংন মলোম থম্নরক্লবদি য়ূম্বান পূন্সিদা করিসু নুংঙাইবা হৌনদে। অমুকসু ঐগীনি হায়না লৈরিবা ঐগী নুপা, ঐগী নুপীদুদা পেন্থোকপা অমা চঙই। ঐগীনি হায়না লৈরিবা পূন্সি খোঙলোইদুদগী হেন্না মতিক চাবা মশক মতৌ ফজবা-ফজবী কয়া পূন্সিগী খোঙচৎতা থেংনগনি। অদুবু মখোয়সু মখোয়গী ওইবা পূন্সিদা হিংজখিসনু, ঐসু ঐগী য়ূমগী মীগা অদুমক চান্না চিন্ননা হিংজগে হায়দুনা ৱাখল লম্ফৈ খল্লুদবা অমা চঙই। মীওইবা হায়বসি কনাসু ওমর নত্তে। মুরম্বা শম্লাংনা ঙৌরকই, চপ তিংনা ফজরম্বা মায়থোঙনা তপ্না তপ্না খুইজিল্লকই। অদুবু মপান্থোঙগী ওইবা হকচাংগী ফজবনা মাঙখ্রবসু থম্মোয়নুংগী ওইবা মরীদুননি হনু পরৈ চল্লবসু নোক্লা নোক্লা য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপা নুপী অনীনা নোক্লা নোক্লা পূন্সি লেনমিন্নরিবসি।

অসিগুম্বা মহৌশাদগী চত্থরক্লিবা মীতৈ ইমুং অমগী চৎন-পরম অসি কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লানসিনা পূন্নমক কাং খোং চাইহল্লে। শু-নোম্বতনা মথৌদাং ওইজবা ইমুং কয়া নুপা কয়াসু মখোয়না থোকহনবা লানসিনা নমদুনা লায়র তাহল্লে। অসিগুম্বা পূন্সি মহিং অমদা লাক্কনি হায়বসি মঙদফাওবা মঙলুদবা অমনি। লানসিনা মরম ওইদুনা ইমুং কয়াগী লন-থুম মাঙহনবীখ্রে। মীশি মীনা, মীকপ মীরাওখোলতনা নিলহল্লে।

নুংশিরবা কুমগী নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা কুইনা উনখিদ্রবা মচন-মচে উন্নদুনা হরাও-হরাও মথেল লুকোই নোক খেনা চামিন্নগদবদু লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা হিংবগী মহাও য়াওদনা হিংলিবশিংদদি ফংলক্তবা কুইরক্লে। করম্বা মতমদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বসু ঙমদে। চীংয়া তময়াদা শুজ-নোমজরগা ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা পূন্সি কয়া ঙসিদি মঙলাক্লরে। অমুকসু মোরে সহরদা, চুড়াচান্দপুর কৈথেলদা য়াইমরপ ওইনা চাউবা বিজিনেস তৌদুনা খুয়া তুশিৎননা হিংজরম্বা মীতৈশিং ইশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা করম্বা মতমদা হঞ্জিনগদগে খনবনা অদুমক লাইনীং ওইনরি। মশাগী মরমদমদা লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিং অৱাবগী পূন্সিনি। য়েংশিনবীনবা মপী-মপা লৈতবগুম্মী। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম্বু অসুক হন্থনা লৈবাকসিগী সিটিজন অমা নত্তবগুম য়েংবীবা হায়বসি তৌফম থোক্তবনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তমথীবা মীহাৎ কয়া মীতৈ মীচম মীয়ামগী মরক্তা চত্থখ্রবসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকপা করিসু য়াওখিদ্রি। নাকল অমরোমদা, ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মফমশিংদা বস এক্সিদেন্ট থোকপগীবু ওইরো, রেলগাড়ী এক্সিদেন্টকীবু ওইরো, হি লাকশিনবগীবু ওইরো, মীশি-মীনা থোকপদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মপাউদি তত্তনা তারি। মতম কুইরবগী তুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লম্বী থোকই হায়না য়ৌশিল্লম্বদুবু লমদমসি ঈরাং করিমত্তা লৈতবগুম কম্মন ওইবা চিনফা পুরবা ৱাহৈ খরা হায়রম্লগা চৎখি। মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এশিংগা উন্নরম্বসু তৌদে, অঙকপনি।

ইরমদমসিদা তৌরিবসি অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি। হোয় নুংঙাইবা মীওই খরবুদি অদুম নুংঙাইদুনা লৈনরি। ‘‘পিরামিদ টাইপ ওফ সোসাইটি’ নি ঐখোয়গী খুন্নাই। চীংদা উমং পাক শন্না কোকথোক্তুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা পোপী পাম্বী থাবদগী মহৌশাগী খল কায়রে। নোং খজিক্তং চুবগা উরা-ৱারানা ফাজিলহৌগদবশিং ফাজিন্দবদগী ঈচাও থোক্লে। চহি অমদবু ঈশিং ঈচাও অনীরক থোকচিল্লক্লবদবু করিনো। ঈচাওমক থোক্ত্রবসু অনীদুদগী হেনবসু য়াওরিবনি। ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা হন্দক্কী মাঙলিবা লৌ কয়া, মাঙলিবা ঙায়োক ফার্ম কয়া, লৌমীশিংনা ৱানা উজখিবা লৌ, মদুদা থমজখিবা আশা কয়া পুম্মাং হেক মাঙহনখ্রে। অমুকসু ঙামী কয়াগী ঙায়োকশঙ কয়া ঈশিং ঈচাওনা ঙা পূন্নমক তাওথোক্তুনা মাঙহনখ্রে। পূন্নমক্তুনা মরম ওইরগা হান্না য়ূম অমগী প্লান তৌদুনা থম্বা লাক্কদবা-চৎকদবা হিসাব পূন্নমক কাং খোং চাইহল্লে। ৱাবনা কোক্তা খূৎ হাপ্লে। করিদি পাম্বে লৈরি। কনাদগী মতেং লৌরুনি। অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি।

ইরমদম মণিপুরসিদা তংদু লৈতাদবা লৈরক্লিবসি কুইরক্লে। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবা চরাংনবা ফীভমসি কৈদৌঙৈ নাখৈ শেংবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বা তম্বা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা মীতৈশিং অচৌবা জেল অমগী মনুংদা লৈবগা পাঞ্জক ওইরি। ইরমদম মণিপুর অসিগী মনুংদা মীতৈশিংনা নীংখা তম্না চৎচবা ফংদ্রি। মালেমগী মরিশুবা মিলিটরি পৱার ওইরিবা ইন্দিয়ানা মাগী মণিপুর ষ্টেটতা কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমদা চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরগা মদুদা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা তৌদনা ফ্রী থাদুনা তৌনীংবতা তৌহন্দুনা থম্বা হায়বসিমুক ঙকপা লৈতে। মদুনা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অসি মালেমগী মীয়াম মাঙদা ফাগি তাহল্লে হায়বসি ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা খঙজদবজাৎলা হায়নীংই। ঈরাংসি হেক থোক্লকপদগী শাংলবা মতমসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহল্লিবা ঈরাংসি লোইশিল্লগে হায়দুনা অকনবা এক্সন অমত্তা লৌখৎত্রি। অহোইনদুম কুকি টেররিষ্টশিংবু নাকোয়ননা শৌগৎপগী শক্তম অমা উরি। অমুকসু থৌদোক অমগী মথংদা অমা থোকচিল্লকপনা মপূং ওইনা ঐখোয়না থেংনরিবা মপূং ওইবা ইস্যুসি করিনো হায়বা কাউখিবগুম্বা অমা হেক হেক উবগুম তৌরি।

লোইশিল্লকপদা লেপ্তুবা ঋতুগী খোঙচৎনদি কুমগী নুংঙাইরবা, নুংশিরবা হরাও কুম্মৈ কয়া পুদুনা লাক্কনি। মদুনা নুংঙাইবা পীরম্বগী মহুত্তা লাঞ্জেন্নরিবা অৱা-অনা তারিবশিংদদি হেন্নদুম মৈচাক হাপ্লম্লগা চৎখি। ইরমদমসি অদুমক চরাংনহন্দুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থম্লিংলি। মীতৈশিং য়াওনা ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ দা থাজবা থমজরিবশিংনদি লমদমসিদা তংদু লৈতাবা ইরমদম অমা মতম চূপ্পগী ওইনা লৈহনবা পাম্মী। তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় মীয়াম্না খনখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। অদুবু মীহুৎশিং অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা করি করি তৌরিবগে। মসিনি মীয়াম্না হংলিবসি। মীয়াম্না মখোয়দা থমখিবা আশা পূন্নমক মাঙখিবগুম তৌরে। সেন্টরগী য়াকাদা চৎলিবা ঐখোয়গী মীহুৎশিংসিনা লমদমসিদা মহৌশাগী শক্তম করম্বা মতমদা পুরক্কদগে হায়বসিদি অদুমক ৱাহং ওইদুনা লৈরি হায়নীংই। ●

# লন্নাইনা খুন্নাইদা লান্দারি ‘‘খুন্নাইসিনা মুৎপদা ঐনা নান্থোকহৌবা ওইথোক্তে’’

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



মণিপুর হায়বসি আর সী সীগী য়ূম অমনি খনসি। তোঙান তোঙানবা পোৎচাক কয়ানা বিল্ডিং অমা শাবসু মান্নদবা ফূরুপ কয়ানা মণিপুর অসি ওইহনখি। অদুবু লৈঙোই নিংথিনা চান্বীহৌদবা বিল্ডিংগী মতৌদা মণিপুর কৌবা বিল্ডিং অসি ঙসিদি মচেৎ মচেৎ কিন্থরক্লি। ঐ হায়বসিগী নাপলনা কনখৎলিবমখৈ ঐখোয় হায়বা ৱাহৈনা খাঙদুনা লৈবা ওইথোক্তে। হিংমিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংনা ঐ নৎত্রগা ঐখোয় অসি মণিপুরীনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোক্ল রক্লিবসি মীয়ামগী মাঙ থারিবা লুচিংবশিংগী ৱাকাইনা থোকহনবনি হায়দবা য়ারোই। মচা খায়বা ৱা ঙাঙলিবশিং খুন্নাইবু থুগায়বা পাম্বা লন্নাইগী অপীকপা ৱাখলবু শেমদোকপা ঙমদবশিংনি করম্না হায়রোই। ঈশিংনা ঈশিং, থাউনা থাউ হায়বদু তোখায়না উবা তৌরোইদবা মতমনি। খুন্নাই অমা হায়বসি মান্নদবা ফূরুপ লাইনীং কয়ানা শেম্বা শক্তম অমনি। মফম অসিদা হিংলিবা খুদিংনা লমদম অসিবু মমা লৈবাকনি খনফম থোকপনি। মসিবু খলহন্দনবা হোৎনরিবশিংনা মমা লৈবাক নুংশিবা কৌবা য়ারোই। মণিপুর হায়বা মিংথোল অসি কাঙলূপ ফূরুপ অমখক্লা হোংদোকনীংবা মতমদা ইরায় লায়না হোংবা নৎত্রগা ওনবা ঙল্লোই। পূন্নমক্লা য়ানবা অনৌবা অমা লৈত্রিবা মতমদু ফাওবদি মণিপুরনি। মসিদা খুন্দারিবা পূন্নমক মণিপুরীনি।

হিষ্টোরিকেল নত্তবনা হিষ্ট্রি নৈনবা হেনমল্লি। লৈপুং ফল্লগা রিজোল্যুশন লৌবা চৎনবা য়ারোই। অনীং অনীংবা ব্রেক ফাদবা গাড়ীগুম খ্বাইদগী য়াঙবা স্পিদতা থৌদৎনরিবশিং মঙফম উবা হানবা তান্নবা ওইনা থোক্কনি। হৌজিক্তি পুনশিন্নবগী মতমনি। পরৈ চেৎলিবমখৈ থৌরীনা কনবগুম নৈনবা কল্লিবমখৈ খুন্নাই অসি মরা চেৎপনি। হকচাংদা য়াওরিবা কয়াৎ অমত্তং ৱাৎপদা শোয়নাইবা কৌবগুম মতম কুইনা হিংমিন্নরক্লবা ফূরুপ অমা য়াওদবদা শোয়নাইবা খুন্নাই কৌগদৌরিবনি। অপূনববু নুংশিবা মীনা মশীং হন্থরক্লবদি মীতোপ্না অহোবা হিদা য়ুশিল্লকপা ঈশিংগুম খুন্নাই অসিদি লুপশিনখিবদা খঙহৌগদবা নত্তে। ঈরাক্লরবা মতমদা অহোবা হি মেলহৌদবগীনি খল্লুবগী কান্নবা লৈগদবা নত্তে। ঐনা ঐখক্তং নুংশিবগী মতৌ অমা ঙসিগী সোশল মীদিয়াদা মায়চৌ ওইনরিবশিংসি লৈবাক অসিবু মুখৎপা পাম্বা মীওইশিংনি খনবা মীয়াম লৈরি কাউবীদবা ফবনি।

সনা কায়বদি মমল ময়েং তাদে। ৱা কায়রবদি লৈবাক ময়েং তাই। লৈবাক ময়েং তাখ্রবদি ইমা লৈবাকপু ইখূৎনা শেগাইজবা ওইনা থোকই। চিন্না কন্না কন্না ঙাঙলিবশিং চিন্থিবা হায়বা মিংথোলখক ফংলগা তোক্কনি। কোকসি খন্নবনি। মিংচৎ পাম্মন্দনা মতাং মতম য়েংদনা পংতৌদা তৌবশিং তুং ইনবীনবা লৈতবা লুচিংবা ওইরগা তোক্কনি। অতাবশিংগী খূবাক ফংনবা ঙাঙলিবশিংগা লুপা পুথোক্লগা মনা ফংলিবশিংগা কোক্কী মরেপ ৱাংবা মান্নে। মথিবোং য়াওদ্রবা থরোইনা তেঙ্কোৎ থল্লগা কৈদৌনদোইনো? লমদমসে ৱা ঙাঙবা মীগী মশীং য়ামল্লে। ৱাঙাঙলোইশিংনা লমদমসি ঈংথহন্দনবা হোৎনরব্রা হায়বসি তারিবা মীচম মীয়ামগী ৱাহং ওইরক্লি। মোবাইল ফোন পায়বা পাম্নরক্লে। টেলিভিজন মমাঙদা পোত্থাবা ঙম্নরক্লে। ঈংনা হিংবা পামজবা মীয়াম মনাকোং ঈ তাবা য়াওনরে। লমদমসিদগী খ্বাইদগী চাউনা মাঙলিবসি থাজনবদুনি। লানদা মাঙখিবা ফুরা দলান য়ূম-কৈ অমুক শেমগৎপা ঙমগনি। থাজনববু মাঙখ্রবদি শেমগৎপদা মহৌশাগী মরেপ্তু য়ৌহনবা ওইথোক্তে। লাই হায়বদুমক লাক্লবসু মীওইবগী মকোক্তগী চিংথোক্তুনা তাঙ্গৌইগী মশক ওইহনবীরবা থাজনবদুদি মতমগী নুংশিৎনা হুমদুনা পুখিনি। মতমদুদা ৱাঙাঙলোই অমত্তনা থাজনবগী খোঙ্গুল লীবা ঙমগদবা নত্তে।

হৌজিক্কী মীয়ামসি ঈঙ্খোলদা ষণ চংলিবদু কোইলাউ লাউরগা তানবগী মতৌ ওইরি। চঙদনবা শম্বল খাবদুদি থৱায় য়াওদ্রি। মহৌশা শোয়খি হায়বসিনা নুংঙাইবা ঈশৈ শকপগুম মখনাওগী অৱাবা য়েংদনা ঙাঙদুনতা লৈরি। শোয়রম্লবসু শেমদোক্লবা হোৎনদ্রি। শোয়রম্বদুতং চৈবা হৈবা শেমদোক্লবা খঙনবা হৈতবসিবুনি মথৌ মশক খঙদবা, ফন্দামেন্টেল দ্যুটি খঙদনা ফন্দামেন্টেল রাইটতমক তানবা কনবা হায়নরিবসি। কোরোনা ভাইরসনা মাস্ক উপ্পা তম্বীরম্বদু লমদমসিগী ৱাকাইশুবশিংগী মচিনবান্দা শীজিন্ননবা চিনখুম ওইনা উরকই। হিংমিন্নসি হায়রবদি নুংশিনবা চংই। ঐনা নুংশিবা য়াওদনা মীনা নুংশিরকপা হৌনদে। মী খুদিংগী রাইট চপ মান্নবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশননা পীবনা ঐনা ঙাঙলিবমখৈ মাসু ঙাঙলক্কনি। হুন্নরগা লৈতুম ৱাত্তে। শেম শারবশিংনা লংশিল্লক্লিবা লৈতুমদুগী লমন শেম শাহৌদবা ঐনা কোল্লা লংলিবসিদি লৈতুম পায়বা মঙোন্দা শীংজদবগী মতৌ উৎপনি।

লৈবাক অসিগী ৱাঙাঙলোইশিংনা ফূরুপকী নৎত্রগা লন্নাইগী ইন্টরেষ্টতা ৱা ঙাঙবসি ঙাইহাক্তং তোকপীরগা অপূনবা মণিপুরগী ইন্টরেষ্টতা খৌনাও তাবমখৈ অমুক্তং ঙাঙবীবা মথৌ তারি। ফনা হায়বগী ৱানি হৌজিক্কী মীয়ামসিনা মরুপ কনানো, য়েক্লবা কনানো ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। খঙনা খঙনা হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাঙলিবসি অশোকপদা থুম চাইশিনবা ওইনা থোকই। হৌজিক্কী খুন্নাইগী মশক অসি শেমগৎহৌদ্রবদি তুংলমচৎ হায়বদুদি লেমহৌগদবা লৈতে। মানা মানা পায়রিবা শিনফম অসি থম্মোয় শেংনা পায়নবা অমা চঙই। ৱাদি ঙাঙদনা মরৈবাক নুংশিবা মীওইশিংনা ঙাঙনবা ৱাফমশিং খরসু লৈনবা চঙই। **‘‘ফুরিৎখাওগী খনবা অমিনশিংনা লোন্না পাট্টা শেন্নমদ্রবা, পুলিস অমদি উকিলশিংগা লোয়ননা ৱায়েল কাঙলোন শুরিবশিংনা শেঞ্জাও পায়বশিংদা কেস ঙমহল্লমদ্রবা, মীয়ামগী মীহুৎশিংনা কোটা (চাকথুংদা) লৈঙাক্কী থবক হাপ্লমদ্রবা হৌজিক্কী কাং খোং চাইরিবা খুন্নাইগী মশক অসি উরমদবসু য়াই।’’**

মীওইবসি শিবা নাইবা কাঙলূপনি। পুৱারীদি শিবা নাইদে। অফবা পুৱারী থল্লম্বশিংগী মিংলেন্দা তুংগী মীরোলনা লাইবক কৎনৈ। মাঙহন তাকহনবা মীগী পুৱারীবু অমুবা কালিনা য়েকপা হায়না শীংথানৈ। অফবা তৌবগীসু মিংচৎ লৈ। ফত্তবা তৌবগীসু মিংচৎ লৈ। মসিদি অমম্বা অঙানবা খায়বগুম্বনি। ঐখোয়গী অৱাৎপা মেনখৎপা হৈবদুনা ইমা লৈবাক নুংশিবগী থৌদাং ওইরসি। ৱাৎলিবসি অফবা লুচিংবদুনি। লমদমসিদি নাৎ-কলচরগী মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই ওইনা ইপা-ইপুনা থল্লম্বা খুন্নাইনি। মসিমক্লা মপানগী পাঙ্গল অমত্তনা শোকপা পনবা ঙমদনা লৈরিবনি। মসিননি ঐখোয়দি ইপা-ইপু নীংজবা মীয়াম ওইরিবা। খুন্নাই অসিবু মূখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী থুগায়নবা হোৎনরিবশিং ময়েক শেংনা খঙমিন্নবা তাই। মীওই চা চা হাৎলগা মণিপুরগী সিভিলাইজেশন মুখৎপা ঙমগদবা নত্তে। নাৎ চৎনবীসি মূখৎখ্রদি লমদম অসি মুৎখিবা খঙহৌরোই।

ঐনা ইকায়খুন্নবা মীদুনা ঐবুসু ইকায়খুন্নরক্কনি। ঐনা য়েক্লবা শেমদ্রবদি মীনসু ঐঙোন্দা য়েক্লবা শেল্লোই। অপাম্বা কল্লকপসি কত্থোকপা কৌবা হিদাক্লা লায়েংবা য়াবা লায়নানি। অপাম্বা কল্লকপা লায়েংবা নত্তনা অপূনবা মণিপুরবু লেংহন্দনা থম্বা ঙম্মোই। হৌজিক্কী আই সী য়ুদা থম্বীরিবা ইমা লৈবাক অসিদি মচা ওইরিবা ঐখোয়গী কাং খোং চাইবা মতৌসিনা ওইহল্লিবনি। লন্নাই লন্নাইগী ৱাখলনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইনা চারিবা ইরৈচাশিংনা খুন্নাইদা লান্দারিবশিং তোকহৌদ্রবদি খুন্নাই অসিনা লুপখিবদা অথৌবসু থৌদবসু, ঙাঙলিবসু তারিবসু, ঙাপেন্মা নতৈ ঙামুগী পাম্বৈ লৈত্রে, নঙসু ঐসু পুমকং হায়বদু তাখিবা তাবনি। ঐ নঙ মা হিংনীংলবদি মণিপুর কনবা নত্তনা অতৈনা কনবা য়ারোই। মীয়ামসু খন্থবীয়ু। ●

# নখোয়না তৌবীরম্বা দান অদুগী মহয়নি ঐখোয় মীয়াম্না ফংলিবা

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

পূন্সি লোইখিনি চৎখিনি পূন্নমক মালেমগী অকনবা, অহৈবা, অশিংবা পঙই হায়না মীয়াম্না ইন্থোকপীরবা কয়া ঙাওদুনা লম্বী সড়কতা তাবা মীনা হুন্দোক্লবা অমোৎ অকায় কয়া খুন্দুনা লাম্লবা মবুক থন্নবা হোৎনরিবা কয়া, মতমগী তৌবা ঙম্বা, মমল তাঙবা গাড়ী তোংবা ঙম্বা ফজ-ফজবা য়ূম কয়াদা মখল কয়া শুনা ফেসিলিটি ফংলবা ফাইব ষ্টার হোটেলদগী তাদ্রবা য়ূমদা লৈরিবা পূন্নমক মতম্না পীরকপা চাকথুং লৌদবা য়ারোই। মসিনি মীওইবগী পূন্সিগী খোঙচৎ কনানা কনাসু খাম্বা ঙল্লোই চৎখিনি, লোইখিনি মতমগী ঈচেলনা ঙম্নমক হুমদুনা চেন্থখিগনি। ঈচেলগী অকনবা শাফুনা য়ৈদুনা চেন্থখ্রবা কাওশিং কনাসু শিংথাবীদনা য়ৌখিনি। চাংজৌ নাইদ্রবা পাক্লবা ঈপাক্লি লুপখিনি ঈরোলনুংদা মালেমগী অকনবা অথৌবা পূন্নমক মাগী মাগী মতম্না লাক্লবদা চৎখিনি লোইখিনি।

অফবা থবক তৌরম্বগী অফবা ফল, ফত্তবা থবক তৌরম্বগী ফত্তবা ফল মখোয় মখোয় খক্কী ৱা মতম নত্তনা থবক অদুগী অফবা ফত্তবা পূন্নমক মীরোল-মীরোল মদুগী ওইজবা মাঙজবা লৈবা তাবনি। মীয়াম মরক্তগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ওইবা থবক তৌরম্বা অফবা কয়াগী শীংথাবা চহী কয়া কয়া হৌখ্রবসু অদুম্মক মীয়াম্না কাউনদনা শোন্নদুনা লৈরি। ঐ ঐনা লাইরিক য়াম্না হৈরে, শক্তি য়াম্না লৈরে হায়রবসু বৃটিশনা মণিপুরবু খুদুম চনখিবদু পুৱারীগী তাঙ্কক অদুদগী লৌথোকপা কোৎথোকপা কাউথোকপা য়াররোইদৌবনি। অফবা থবক তৌবা অফবগী অফবা মহয় শোয়দনা লৈগনি। ফত্তবা থবক তৌবগী মহয়সু নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা ফংগনি। ফত্তবা থবক তৌবা মীওইশিংগী ৱাখল পূক্নিং মতম লৈবা খিবিক্তা লৈতাদে। মতম লৈবা খিবিক্তা মখোয় মিহুল চেঙ্গুম চেঙ্গানবা মী ওইদুনা লৈখিবনা অয়াম্বনি।

কনা কনাগুম্বা শক্তি পায়বা মতমগী তৌবা ঙম্বা কয়ানা ৱাঙাঙ কমজাও হুনবা মীবু মী ওইনা ইকায়খুম্নবা পূন্নমক নাকোয়ননা থম্বা কয়া অমা লৈতবা নত্তে। মখোয় অসিনা মাগী মাগী শক্তি অমদি তৌবা ঙম্বা পূন্নমক্লা লাপথোকখ্রবা মতুংদা কনা অমা ফাওবনা মাগা নক্লনীংদে, মানা ঙাঙবা ৱা কনা অমা ফাওবনা তানীংদবা খক্তা নত্তনা সোশল মীদিয়া কয়াদা উৎলকপা মশক ফাওবা উনীংদবা, য়েংনীংদবা য়াওদবা নত্তে। মসিননি অহল লমন, লাই গুরু কয়ানা পীরিবা পাউতাক কর্ম্ম ফনা চৎলু, কর্ম্ম ফৎত্রবদি মীনসু লাইনসু য়াদবনি হায়বা অদু নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী পীরক্লবা পাউতাক্লি।

খুদম ওইনা হুরান চিন্থি তৌবা লমচৎ কাম্বা মীদুনা মাগী মাগী মতমগী তৌবা ঙম্বা শক্তি লৈবা কয়াগা পূন্দুনা শক্তি লৈবা শেঞ্জাও পায়বা ফজবা য়ূম মতমগী অতাঙবা মমল য়াম্না পীবা গাড়ী কয়া তোংদুনা ক্লব কয়াগী, সী এস ও কয়াগী থৌরমদা শেল য়াম্না কৎপা ঙম্বগী ময়ায় তাংবল কয়াদা ফল্লবসু হৌখিবা মাগী হুরান চিন্থি তৌখিবা লমচৎ কামখিবদু ঈশিংনা চাল্লবসু কৈদৌঙৈদা কোকপা ঙল্লোই। য়ূমলোন কৈরোন্নবগী শুমাং থেলোংদা য়েন্নখা লুখাদা লৈবা পোৎ কয়া অচিকপা অহিংগী মী লৈতবা তূম্না হিপ্নখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা হুরান চিন্থি তৌবা মীদুনা মচা নুপা নুপী কয়ানা মশক নাইবা মী ফনা ওইরক্লবসু মাগী মশাদা মীয়াম্না থমখিবা, খঙনখিবা দাগফম অদুদি মশা হাক্তক্তা নত্তনা মচা মশু ফাওবা কোকপা ঙমদনা খঙহৌবা, উহৌবা কয়ানা অদুম্মক ঙাঙনা শক্লদুনা লৈহৌরগনি। মসিনা অহল লমন কয়ানা কর্ম্ম ফনা চৎলু, কর্ম্ম ফনা তৌবা তম্মু হায়না পাউথাং য়ৈনা পাউজেল্লম্বা ঐখোয় পূন্নমক্লা কাউথোকফদে।

লৈবাক্কী লুচিংবা শক্তি পায়বা মতম অসিগী তৌবা ঙম্বা কয়ানা অফবা থবক কয়া তৌরম্বা অমদি মীয়ামগীদমক কত্থোক্লম্বা ঙসিদগী চহী চা কয়া কয়াগী মমাঙদগী হৌখিবা নিংথৌরোল কয়াসু চপ মান্নে, অফবা তৌরম্বগীনা ফনা শোন্নবা, ফত্তবা তৌরম্বা, মীয়াম্বু ওৎ নৈবা কয়াবুনা অসুম্মক থীনা ঙাঙনবা চৈনবা কোকপা ঙম্লরোইদৌবা মীরোল মীরোল লৈহৌরগনি।

কুমজা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৭তা ইমা লৈবাক মণিপুরদা চেঙ কিলোদা লুপা ১.৫০ পীরকপা কৈথেলদা ৱানগেসু ফংলক্ত্রবা মতম অদুদা মহৈরোয় খুন্নাইনা ইমা লৈবাক মণিপুর মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা ইমা লৈবাক মীয়ামগী হিংনবগীদমক কত্থোকখ্রবা থৱায় অমদি পূন্সি, মণিপুরগী মহৈরোয় খুন্নাইগী পুৱারীদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদৌবা থৌদোক অমনি। থৱায়শিংদু ঙসিসু হিংদুনা লৈরি, চহী খুদিং হৈকৎ লৈকৎলি। ওইনাম নবকুমার (১৯.৫.১৯৪৫), কুমারি নোংমৈকাপম প্রমোদিনি, ৱাইখোম নিলমনি অমদি লাইশ্রম চাওভল চহী ৬০ হৌখ্রে, কাউনদ্রি ঙসিসু কাউরোই মণিপুরগী মহৈরোয় খুন্নাইনা লৈরিবা মখৈদি। মখোয়না লন-থুম কয়া তানশিন্দুনা থল্লম্বা নত্তে। কত্থোকখিবা থৱায় মণিপুরী মীয়ামগীদমক্তা কুমগী কুমওননা লাকপদা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৭কী নুমিৎ অদু হেন্না হেন্না ময়েক শেংনা মশেক মঙাল নাইনা মীরোল-মীরোল লৈহৌরগনি। কুমজা ১৯৬৯গী ওগষ্ট ১৩দা ঐখোয়না ঐখোয়গী অথৌবশিংগী হৈকৎ লৈকৎ তমজগে তৌবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অথিংবা অয়েৎপা পীদুনা অকায়বা ওইখিবা ঐখোয়না মদুগী নুংঙাইতবা কয়া মায়োক্লখিবদু মতম্না পুরকপা মতমগী খুদোলনি। লৈখিদ্রবা মহমদ অলিমুদ্দিন, য়ূম্নাম য়াইমা, ডা. লৈশাংথেম চন্দ্রমনি, সলাম তোম্বী মতম অদুগী শক্লাইরবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা কুমজা ১৯৭২দগী ইনীং তম্না হৈকৎ লৈকৎপা ফংহনবীখি। মতিং মথৌনা লৈবা লৈঙাকপা লুচিংবগী মগুণদি মীয়াম্না ঈংনা শান্তি ওইনা হিংবা ঙম্মী। ঙসি ফাওবদা পরিং নাইনা চত্থজবা ফংলিবা মরৈবাক নীংবশিংগী হৈকৎ লৈকৎ তল্লিবা অসি কুমজা ১৯৭২গী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্ট্রি অদুনা মীয়ামদা পীরম্বা খুদোলনি।

ঙসিদি হিষ্টোরিকেল বেগ গ্রাউন্দসু লৈতবা জিও পোলিটিক্স করিমত্তা খঙদবা কয়ানা লৈঙাক থৌদাং লৌরকপদগী অমদি মীখলদা মীরেপ মশক খঙহৌদবা মতিক মগুন মখোয় মখোয়না থাকপা লাংদা, চোপ্পা খোইদা থুদুনা চহী মঙা মঙা ঙাইনবদা হুমাং কাংলবা মীসু লৈতবা নত্তে। কনা অমনা পংইদকো ইরৈবাক্কী ভোটর হায়দুনা তকশি শোনবা মীসু লৈতবা নত্তে। ষণ থৎলু চৎখিবা পূন্নমক ষণনা ফি কাম্বদা মনীং থেকৎলগা চেল্লকপা কয়ানা ঙসিদি মরু ওইনা মনীং থেকৎলগা চেল্লকপা কয়ানা ঙসিদি মরু ওইনা তম্পাক লম অমদি মোরে, চুড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীদা খুন্দারম্বা মীতৈনা পুৱারীগা খূৎশম্নুনা লাক্লবা অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা, লৈময়োন খুন্দা অহানবা ইপুধৌ থাংজিং কোইরেল লাই, ইমা ইবেম্মা খা নোংপোক মায়কৈদা পারি চাওদ নাওদা কোল্লিবী মমোম শঙদা নাওয়োক্লি কোন্দোং লাইরেম্বীশিং খুভমদা ইকোক নোন্না খুরুমজবা ফংদ্রিবা থা ২৮ হৌখ্রে। মসি ঐখোয়না ঐখোয়গী মীহুৎ খনবা মতমদা খন্থহৌদনা লাংগী মমিদা ঈরং ওইরবোই নীংদুনা চোংশিল্লুবা তিন্থ্রোক লেংবা খোইদুবু গুলা ওইনা উরুবা মদুগী মহয়নি। ঈশৈ হৈত্রগা শুমাংদা তাইনবা, মশা মশানা ঐহাক মতিক চাদে, লৈবাক ঙাকপা হৈনি-হৈরোই খঙদনা ইস্যু খরদা তোংবা য়াও, ওইদা পাদবা কয়ানা শেল তাল্লগা ঈরম খরা কোৎ, নালা খরা শেংলগা লৈবাক ঙাক্কনি থোরকপদা মিৎ থক্লুবা মীয়াম্না ঙসিদি মদুগী মহয় ফংবা তাবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।